ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯦ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ০৬, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০৩৪শুবা মশীং

ৱাইখু মখোঙ ওইহন্নীংদে

মূৎপদদি পুল্লপ মূৎমিন্ননি

হৌখ্রবা পুৱারী (হিষ্ট্রি) তম্বগী মরম অমসুং কান্নবশিংবু অমুক নৌহৌননা ফাক্তোক-শেৎতোক্তুনা নৈনরুখিগদ্রা? ওন্থোক্লা কান্নখ্রবজাৎনি। লাইরিক তম্বা হেক হৌরকপদগীনা পোষ্ট গ্রেজুএট (মাষ্টরস) ফাওবদা তম্বদগী হেন্দোরক্তুনা স্কোলর কয়ানা মপূং ওইবা সবজেক্ট অমা ওইনা ফাওবা থিজিল্লিবনি, নৈনরিবনি। মখোয়গী হোৎনজমন্দগী ফংলকপা মহৈগী কান্নবশিং মীয়াম হুপ্পা ফংমিন্নরিবনি। হৌখ্রবা মতমদা থোকখিবা অফবা থৌদোকশিংগীনা মশক মুন্না খঙদোক্লগা অদুদগী হেন্না ফহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা অফবশিংদুগী খুদুং ইন্ননবা হোৎনবনি। ফত্তবা থৌদোকশিংগীনা মতুংদা অমুক হন্না থোরক্তনবা করি-করম্বা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদগে, পাঙথোক্কদগে হায়বদু খঙদোকপগী খুদোংচাবা লৌবগা লোয়ননা থোকখ্রিবা ফত্তবা থৌদোকশিংদু মনুং থিৎনা খঙহৌবনি। মসি ওইরগদি হৌজিক মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফূরুপ পূন্নমক্লা শিৎ-নান্না খঙগদবসি মণিপুরগী পুৱারী অমসুং ইন্দিয়াগী পুৱারী ওইফম থোকই। য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিং য়াওনা মালেম পূম্বগী ওইবা পুৱারীশিং খঙবদসু কান্নবা নত্তনা মাঙজবা করিসু লৈতে। তৌবতবু খ্বাইদগী মরু ওইনা মণিপুরগী মীয়াম্না মশা-মশাগী মশক হান্না খঙবগা ইরোয়ননা লৈবাকসিগী মশক্তি তঙাইফদনা খঙগদবনি। হায়রিবশিংসি খঙলবা মতমদা মশা অমসুং মমা লৈবাক মরমদম্বসু নুংশিবা পোক্লক্কনি। মরৈবাক্কীদমক্তা তেকচাক পুরক্কনি, পান্থোম তিংলক্কনি। থৱায় থাদোকপা ফাওবা ঙম্লক্কদৌরিবনি।

অদুবু হন্দক মমাঙ থা এপ্রিল, ২০২৪দা মণিপুরদসু তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুবু করিনো? ইলেক্সন অদু ১৭শুবা লোক সভাগী মেম্বর ওইরকখিবশিংগী মতম লোইশিল্লক্লদুনা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক খূৎপায়নগদবা মীহুৎশিং খন্নবগীদমক পাঙথোকপা মীখলনি। লৈবাকসিগী ওইনা ১৮শুবা লোক সভাগী মীখলনি। পূন্না তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাঙথোক্কদবনি। মথংশিৎনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬তা পাঙথোকখিবা তাঙ্কক ২গী মীখলদা শুপ্নতগী সিট ২ খক্তমক লৈজবা মণিপুরগীসু অহানবা তাঙ্কক্তা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪৭কী পাঙথোক্লগা অনীশুবা তাঙ্কক্তুনা ৱাৎহৌবা সিট ১৩গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোট থাদনখিবনি। অদুবু য়ামখিদ্রবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০ খক্কী তাঙ্কক ২ খক থোক্লা পাঙথোকখিবা মীখলদুদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুবু করিনো? তমথীরবা কুকি টেররিষ্টশিংগী লান চহী ফানিংচিৎ মায়োক্নরক্লিবা মীতৈ ফূরুপকী ভোটরশিংনবু লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোন দেমোক্রেসিবু ফৈজে চিংথোক্লগা হামুক তৈশিনবা মানবা অদুক হন্থবা থাক্কী চিননা ফাওবা পন্নিংদবা খ্বাইদগী নেম্বা থৌওংশিং চৎখ্রিবা করিগীনো? অতাবা-অউবা মীওইশিংনা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দা ইন্দিয়ানা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইদ্রিঙৈদগী হৌনা মণিপুরদি কুমজা ১৯৪৮দগী য়ুনিভর্সেল এদল্ট ফ্রাঞ্চাইসকী থৌওংদা মীখল পাঙথোকখ্রবা লম অমনি হায়বসি অশেংবা ওইরবসু মীনা থাজখিগদ্রা? এসেমব্লিগী ওইগেরা, লোক সভাগী ওইগেরা মীখল হায়বসিদি ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিংনা অপাম্বা কেন্দিদেট খল্লগা থাদজবদা মবুক য়েকপা মীওইশিং মীতৈ ফূরুপকী মরক্তা য়াওরম্বসিবু করিনি হায়না করি ৱাহৈনা লৈশি লৈথোল্লগা শৈথাগনি? অদুবু হৌখ্রবনিনা হৌখ্রসনু, মতুংদদি পূক্নিং, ৱাখল অমসুং থম্মোয় অমত্তা ওইমিন্নবা হৌরক্লবা মীতৈশিংবু নমদুনা ভোট কাদবা য়াদে খঞ্জবা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি অমসুং কেন্দিদেটশিংনা অঙম্বা পাম্বৈ পুথোরক্তুনা খাবৈ-খারা শাদুনা ওৎখাইহল্লগুমসি। মণিপুরগী সিট ২ খক্কী পার্লিয়ামেন্টতা মীহুৎ ২ খক থানবগী খনবদা মীতৈ মশেল কোক্কাই-লুক্কাইনবা চুমদে। ওইজ-ওইথক অমসুং শেলনা চৎপা মীওই খুজোক খরসু ৱাখল খন্থহন্নীংই। অদুগা খ্বাইদগী লুরিবদি মীয়াম্নি। মসিমক্লা মীয়ামগী ৱাফমদি লাইগী ৱাফমনি হায়দুনা ফাওবা হায়নরিবনি। মীয়াম্না লোইনা শিৎ-নান্না খঙবনি। কুকি লমহেনবা খরনা চত্থরকপা লান চহী হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা মীতৈ মরক্তা ৱাইখু মখোঙ য়াওবা চুন্নোই।

ꯋꯥꯢꯈꯨ ꯃꯈꯣꯡ ꯑꯣꯢꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯦ

ꯃꯨꯠꯄꯗꯗꯤ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯃꯨꯠꯃꯤꯟꯅꯤ

ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯕ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤ (ꯍꯤꯁ꯭ꯇ꯭ꯔꯤ) ꯇꯝꯕꯒꯤ ꯃꯔꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯡꯕꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯅꯧꯍꯧꯅꯅꯥ ꯐꯥꯛꯇꯣꯛ-ꯁꯦꯠꯇꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯅꯩꯅꯔꯨꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯀꯥꯟꯅꯈ꯭ꯔꯕꯖꯥꯠꯅꯤ꯫ ꯂꯥꯢꯔꯤꯛ ꯇꯝꯕ ꯍꯦꯛ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯒꯤꯅꯥ ꯄꯣꯁ꯭ꯠ ꯒ꯭ꯔꯦꯖꯨꯑꯦꯠ (ꯃꯥꯁ꯭ꯇꯔꯁ) ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯇꯝꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯁ꯭ꯀꯣꯂꯔ ꯀꯌꯥꯅꯥ ꯃꯄꯨꯡ ꯑꯣꯢꯕ ꯁꯕꯖꯦꯛꯠ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯢꯅꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯊꯤꯖꯤꯜꯂꯤꯕꯅꯤ, ꯅꯩꯅꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯍꯣꯠꯅꯖꯃꯟꯗꯒꯤ ꯐꯪꯂꯀꯄꯥ ꯃꯍꯩꯒꯤ ꯀꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯍꯨꯞꯄꯥ ꯐꯪꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯊꯣꯀꯈꯤꯕ ꯑꯐꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯒꯤꯅꯥ ꯃꯁꯛ ꯃꯨꯟꯅꯥ ꯈꯉꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯑꯗꯨꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯐꯍꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯑꯐꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯈꯨꯗꯨꯡ ꯏꯟꯅꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯐꯠꯇꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯒꯤꯅꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯇꯅꯕ ꯀꯔꯤ-ꯀꯔꯝꯕ ꯊꯕꯛ ꯊꯧꯔꯝꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯀꯗꯒꯦ, ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯈꯉꯗꯣꯀꯄꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ ꯂꯧꯕꯒꯥ ꯂꯣꯌꯅꯅꯥ ꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯐꯠꯇꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨ ꯃꯅꯨꯡ ꯊꯤꯠꯅꯥ ꯈꯉꯍꯧꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯢꯔꯒꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯂꯥ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯈꯉꯒꯗꯕꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤ ꯑꯣꯢꯐꯝ ꯊꯣꯀꯏ꯫ ꯌꯨꯝꯊꯪꯅꯔꯤꯕ ꯂꯩꯕꯥꯀꯁꯤꯡ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯄꯨꯝꯕꯒꯤ ꯑꯣꯢꯕ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯁꯤꯡ ꯈꯉꯕꯗꯁꯨ ꯀꯥꯟꯅꯕ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯃꯥꯡꯖꯕ ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯂꯩꯇꯦ꯫ ꯇꯧꯕꯇꯕꯨ ꯈ꯭ꯋꯥꯢꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯢꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯃꯁꯛ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯈꯉꯕꯒꯥ ꯏꯔꯣꯌꯅꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯁꯛꯇꯤ ꯇꯉꯥꯢꯐꯗꯅꯥ ꯈꯉꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯤ ꯈꯉꯂꯕ ꯃꯇꯝꯗꯥ ꯃꯁꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯃꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯃꯔꯝꯗꯝꯕꯁꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯄꯣꯛꯂꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯗꯃꯛꯇꯥ ꯇꯦꯛꯆꯥꯛ ꯄꯨꯔꯛꯀꯅꯤ, ꯄꯥꯟꯊꯣꯝ ꯇꯤꯡꯂꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯊꯋꯥꯢ ꯊꯥꯗꯣꯀꯄꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯉꯝꯂꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫

ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯟꯗꯛ ꯃꯃꯥꯡ ꯊꯥ ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ, ꯲꯰꯲꯴ꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯑꯅꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯈꯤꯕ ꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯂꯗꯥ ꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯑꯗꯨ ꯱꯷ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯦꯝꯕꯔ ꯑꯣꯢꯔꯀꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯂꯣꯢꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯗꯨꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯒꯗꯕ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯈꯟꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯄꯥ ꯃꯤꯈꯂꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯢꯅꯥ ꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯃꯤꯈꯂꯅꯤ꯫ ꯄꯨꯟꯅꯥ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯷ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯊꯪꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯹ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯲꯶ꯇꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯈꯤꯕ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯲ꯒꯤ ꯃꯤꯈꯂꯗꯥ ꯁꯨꯞꯅꯇꯒꯤ ꯁꯤꯠ ꯲ ꯈꯛꯇꯃꯛ ꯂꯩꯖꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤꯁꯨ ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯇꯥꯡꯀꯛꯇꯥ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯁꯦꯒꯃꯦꯟꯠ ꯴꯷ꯀꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯇꯥꯡꯀꯛꯇꯨꯅꯥ ꯋꯥꯠꯍꯧꯕ ꯁꯤꯠ ꯱꯳ꯒꯤ ꯄꯣꯂꯤꯡ ꯁ꯭ꯇꯦꯁꯟꯁꯤꯡꯗꯥ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯅꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯌꯥꯝꯈꯤꯗ꯭ꯔꯕ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯁꯦꯒꯃꯦꯟꯠ ꯶꯰ ꯈꯛꯀꯤ ꯇꯥꯡꯀꯛ ꯲ ꯈꯛ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯈꯤꯕ ꯃꯤꯈꯂꯗꯨꯗꯥ ꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯀꯨꯀꯤ ꯇꯦꯔꯔꯤꯁ꯭ꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯂꯥꯟ ꯆꯍꯤ ꯐꯥꯅꯤꯡꯆꯤꯠ ꯃꯥꯌꯣꯛꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯚꯣꯇꯔꯁꯤꯡꯅꯕꯨ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯕꯨ ꯐꯩꯖꯦ ꯆꯤꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯍꯥꯃꯨꯛ ꯇꯩꯁꯤꯟꯅꯕ ꯃꯥꯅꯕ ꯑꯗꯨꯛ ꯍꯟꯊꯕ ꯊꯥꯛꯀꯤ ꯆꯤꯟꯅꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯄꯟꯅꯤꯡꯗꯕ ꯈ꯭ꯋꯥꯢꯗꯒꯤ ꯅꯦꯝꯕ ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤꯡ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯑꯇꯥꯕ-ꯑꯎꯕ ꯃꯤꯑꯣꯢꯁꯤꯡꯅꯥ ꯖꯟꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶, ꯱꯹꯵꯰ꯗ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯅꯥ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯕ ꯔꯤꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯢꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯒꯤ ꯍꯧꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯤ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯱꯹꯴꯸ꯗꯒꯤ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯦꯜ ꯑꯦꯗꯜꯠ ꯐ꯭ꯔꯥꯟꯆꯥꯢꯁꯀꯤ ꯊꯧꯑꯣꯡꯗꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯀꯈ꯭ꯔꯕ ꯂꯝ ꯑꯃꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯑꯁꯦꯡꯕ ꯑꯣꯢꯔꯕꯁꯨ ꯃꯤꯅꯥ ꯊꯥꯖꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯑꯣꯢꯒꯦꯔꯥ, ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯑꯣꯢꯒꯦꯔꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯕ ꯌꯥꯔꯕ ꯚꯣꯇꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯄꯥꯝꯕ ꯀꯦꯟꯗꯤꯗꯦꯠ ꯈꯜꯂꯒꯥ ꯊꯥꯗꯖꯕꯗꯥ ꯃꯕꯨꯛ ꯌꯦꯛꯄꯥ ꯃꯤꯑꯣꯢꯁꯤꯡ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯌꯥꯑꯣꯔꯝꯕꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯀꯔꯤ ꯋꯥꯍꯩꯅꯥ ꯂꯩꯁꯤ ꯂꯩꯊꯣꯜꯂꯒꯥ ꯁꯩꯊꯥꯒꯅꯤ? ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯁꯅꯨ, ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ, ꯋꯥꯈꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯑꯣꯢꯃꯤꯟꯅꯕ ꯍꯧꯔꯛꯂꯕ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯕꯨ ꯅꯃꯗꯨꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯀꯥꯗꯕ ꯌꯥꯗꯦ ꯈꯉꯖꯕ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯁꯤꯌꯟ, ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯦꯟꯗꯤꯗꯦꯠꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯉꯝꯕ ꯄꯥꯝꯕꯩ ꯄꯨꯊꯣꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯈꯥꯕꯩ-ꯈꯥꯔꯥ ꯁꯥꯗꯨꯅꯥ ꯑꯣꯠꯈꯥꯢꯍꯜꯂꯨꯝꯃꯁꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯁꯤꯠ ꯲ ꯈꯛꯀꯤ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯇꯥ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯲ ꯈꯛ ꯊꯥꯅꯕꯒꯤ ꯈꯟꯕꯗꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯁꯦꯜ ꯀꯣꯛꯀꯥꯢ-ꯂꯨꯛꯀꯥꯢꯅꯕ ꯆꯨꯝꯗꯦ꯫ ꯑꯣꯢꯖ-ꯑꯣꯢꯊꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯂꯅꯥ ꯆꯠꯄꯥ ꯃꯤꯑꯣꯢ ꯈꯨꯖꯣꯛ ꯈꯔꯁꯨ ꯋꯥꯈꯜ ꯈꯟꯊꯍꯟꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯢꯗꯒꯤ ꯂꯨꯔꯤꯕꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯂꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯋꯥꯐꯃꯗꯤ ꯂꯥꯢꯒꯤ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯍꯥꯌꯅꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯣꯢꯅꯥ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯈꯉꯕꯅꯤ꯫ ꯀꯨꯀꯤ ꯂꯃꯍꯦꯅꯕ ꯈꯔꯅꯥ ꯆꯠꯊꯔꯀꯄꯥ ꯂꯥꯟ ꯆꯍꯤ ꯍꯦꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯗꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯋꯥꯢꯈꯨ ꯃꯈꯣꯡ ꯌꯥꯑꯣꯕ ꯆꯨꯅꯂꯣꯢ꯫

লৌমীশিংগী কাখল

লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q1. ঐগী থবীসি হৌজিক হৌজিক হেক্লগা য়োল্লিবনি অদুবু নৌরিবা মনাশিংদা অঙৌবা মরীক-মরীক পক্লম্বদগী অসুম হেনজিল্লক্তুনা অয়াম্বা পাম্বীশিং য়ৌশিনখ্রে। পাম্বীশিংসু ফাজিনখিবগুম তৌরে। তীলনা থিনবগীরা হায়দুনা য়াম্না মুন্না য়েংবনি অদুবু উদে। তীল হীদাক কাপকদবসু হৌজিক হৌজিক হেক্লিবনিনা নুংঙাইদ্রে। নীমগী হীদাক শীজিন্নগদবসু খাগনি হায়নবদগী কাপত্রে। য়াম্না থুনা ফবা য়াবা হীদাক অমত্তা তাকপীরকউ। পাম্বী হনজিল্লিবসিসু ফনবা।

- *সুবোল, কাইরেম্বীখোক*

☞ তীলগী মশক মতৌসু উদবা, অঙৌবা মরীক-মরীক লৈবদুসু অনৌবা মনাদখক লৈবসিনদি মচীঞ্জাক ৱাৎপগী ওইগনি। পাম্বীদু ফাজিনবগুম তৌই হায়বীরিবসিসু মতোনলোম থংবা মতাংশিং তেনশিন্না শুংজিন্নসু লৈরবদি কেলসিয়ম ৱাৎপগীনি হায়বদা শোয়দ্রে। অঙৌবা শরুকশিং মনাগী মচি মচিদা মপূং ফানা শন্দোকখ্রবসু মনাদা লৈরিবা মশীংশিংদুদি (Vein) শংনা অদুম লৈগনি। অনৌবা মনাশিংদুগী মপান (মার্জিন) পাকথোকপা ঙমদবদগী মখারোমদা কোন্থগনি। অরিবা মনাদা থোইদোক্লা অকায়বা পীরোই। কুইথরবদি ময়োল কংবা ফাওবা য়াওরক্কনি; মপান কেনগনি, থবী পীকশিল্লক্কনি, মহাও য়াওরক্লোই।

কেলসিয়ম নাইট্রেট গ্রাম ৭৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি কান্নরগা অনীরক শুবা ওইনা অমুক্কা কাপকনি।

Q2. হন্দক লেন তাখিবদুদা উমোরোক পাম্বীশিংগী মশা, মনা, মোরোক অয়াম্বা য়ৈথখ্রে। মসিদা লায়না কয়া অমুক তাশিল্লক্লবদি অমত্তা লৌবা য়াররোই। করি হীদাক কাপহৌগনি?

- *ওকেন, হৈরোক*

☞ Azodezo নৎত্রগা Azole গুম্বা (Azoxytrobin 18.2% + Difenoconazole 11.4%) অমা লৌবীরগা মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকহৌগনি। মসিদা Bactowin গ্রাম নিপানসু য়ানশিনহৌসি।

লেননা ফুদংখিবদগী মতৎ-মতৎ তৎলবা পাম্বীগী শরুকশিংদুগী অশোকপা মফমদু কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়া অনীমক্কী চংশিনফম ওইরক্কনি। মদু ঙাকথোক্লবখক নত্তনা উমোরোক্কী লেপকং অমসুং মনা লাংবীদগী ঙাকথোকপদসু কান্নগনি।

Q3. য়োংচাক পাম্বী ঙন্না পাল্লি হায়বা পাম্বীদু ফুট নিপানমুক ৱাংলে। পাম্বীগী ময়ায় চানা তীল মখুল মরি হুৎলে। মসিবু মখোঙদা ফুরাদান হাপ্পগা ফগদ্রা? করি অমুক হাপসিগে?

- **এস নবা**

☞ ফুরাদান হাপ্পগী কান্নবসু লৈগনি। অদুবু পাম্বীনা হীদাক্তু চূপখৎলকপদা মতম চঙগনি। পাম্বীদু তীলনা শোকহল্লকপনা হেনজিল্লক্কনি। হেন্না ফবদি হোরিবা মখুলদু ফুট মরি ৱাইদা লৈবনিনা উ মকুশিংদু (তীলনা তকপগী) অরিংবা তরাগুম্বা অমনা শেংনা খোত্তোল্লগা অহোবদু ঈশিং চোৎহল্লবা লশিং মচেৎ খরনা কোমতক মেনশিনবীয়ু। অদুগা অরৈবা তীল হীদাক ঈশিংদা য়াল্লগা সিরিঞ্জ অমনা লশিংদু মপূং ফানা চোৎনবা য়ারিবমখে কাপশিনবীয়ু অমসুং লৈখোম্না মেনশিনবীয়ু।

হেন্না ফবদি সিষ্টমিক ওইবা Imidachloprid 17.8% মিলিলিটর অমা ঈশিং লিটর ১০০দা য়ানশিনবীরগা লশিংশিংদু মপূং ফানা চোৎনবা সিরিঞ্জনা মপূং ফানা কাপশিনখ্রবা মতুংদা অতা নৎত্রগা লৈখোম্না মেনশিনবনা হেন্না ফৈ।

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী
লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল
hueiyenagri@gmail.com **দা চিঠি**
থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

পূনশিন কাঙলোন্না পাম্বীগী মচীঞ্জাক পীদুনা (ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট) লৌউ শিংউ তুং কোইহল্লসি

- এস সুমঙ্গল -

মহৌশাগী লৈজরম্বা লৈবাক লৈহাওগী ফীভমদা মীওইবা ঐখোয়না চাবা কোন্ননবা হোৎনবদা অকাইবা কয়া অমা মওং কয়াদা পীরুবদগী অমদি অতোপ্পা মরম কয়াদগী ঙসিদি মালেমগী অকোয়বগী ফীভম হায়বদি ঈশিং, নুংশিৎ অমদি লৈবাক লৈহাওদা অমাঙবা কয়া অমা থোক্লরে হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি। লৌউ-শিংউগী থবক কয়াদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা রশায়নগী হার, তিলহাৎ হীদাক, নাপী হীদাক অমদি অতৈ পোৎলম কয়াবু লান্না শীজিন্নরুবদগী ঐখোয় মীওইবা য়াওনা অপীকপা মিৎনা উবা ঙমদবদগীনা অচৌবা, কান্নরবা থৱায় কয়াদা অমাঙ অতা কয়া অমা থোক্লরে হায়বসিসু য়ানরবা ৱাফম অমনি। খুদম ওইনা ৱাহিক হাৎনবা দাইক্লোরভোস কাপ্পদা অতোপ্পা কান্নরবা ৱাহিকপু চাথোকপা ঙম্বা শন্দ্রেম্বী অসিসু য়াওনা হাৎলবনি। মসিনা খুদক্তা খঙদ্রবসু মহৌশাগী খলদা অকায়বদি শোয়দনা পীরবনি।

মথক্কী মরমশিং অসিদগী ঙসিদি তোঙান তোঙানবা তুং কোইগদবা লৌউ কাঙলোন কয়াগা লোয়ননা অনৌ-অনৌবা অকোয়বগী ফীভমদা কাইহন্দবা, মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীরোইদবা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্ননবা পোৎলম কয়া অমা পুথোক্লরক্লি। হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী খল্লগা হৌজিক্তি মখোয়শিং অসিবু খঙবা হায়বসি তঙাইফদ্দবা মতম ওইরে। মসিগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোন অমা হায়বা তারগদি ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট অসি মরু ওইবা অমনি।

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট করিনো?

পাম্বীদা মচীঞ্জাক পীবা মতমদা অকোয়বগী ফীভম শোক্তনবা মওংদা ওর্গানিক্কী ওইবা হার, বাইওগী অমদি রশায়নগী হারশিং চাং চানা হাপমিন্নদুনা ক্রোপ দাইভরসিফিকেসনগা (মখল কয়াগী লৌউ পাম্বীশিং লৌফম অমত্তদা থাবা) লোয়ননা ক্রোপ রোটেসন তৌদুনা অমদি থারিবা পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবীদুনা লৌউ পোথোকশিং শেন্দোং লৈনবা মওংদা পুথোকপবু ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট (আই এন এম) হায়না খঙনৈ। তঙাইফদ্দনা মনাদা কাপ্পা য়াবা তোঙান তোঙানবা হার মখলশিং কাপ্পসু য়াই।

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টকী পান্দম : (১) রশায়ন, বাইও অমসুং ওর্গানিক্কী হার চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক লৈবাক্কী মগুণ অমসুং পোথোক হেনগৎহনবা।

(২) লৈবাক্তা লৈহাওগী (পাম্বীগী মচীঞ্জাক্কী) পুক্কে হেনগৎহনবা।

(৩) পাম্বীগী মচীঞ্জাক পাম্বীদা চাং চানা ফংবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দবা অসিনি।

আই এন এম পায়খৎপা অসিগী তোঙান তোঙানবা মওং কয়া অমা লৈবা য়াই। ক্রোপ অমগা অমগা মান্নদবা য়াই।

খুদম খর থল্লবদা - ভর্মিকম্পোষ্ট শীজিন্নদুনা মনা-মশিং থাগে হায়রবদি কাঙ্খুল অমদা গ্রাম ৩০০ (খুজোক অচৌবা অমা) হাপ্পা অদুগা লোয়ননা অৱাৎপা অদু রশায়নগী হারনা মেনখৎপসু য়াই। ষষ্ঠি-ষণয়ুংগী হার শীজিন্নগে হায়রবসু নিংথিনা হার ওল্লবা অদু শঙমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ৭-৮ থাখায় অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা লৌফমদা মমুৎ তানা খোইজিনবীহৌবা য়াই। অৱাৎপা অদুনা কেমিকেলগী হারনা মেনখৎপা য়াই। বাইও ফর্টিলাইজর মখল কয়া অমা খুদম ওইনা রাইজোবিয়ম, এজোস্পিরিলম, ফোসফরস সোলুবিলাইজিং বেক্টেরিয়া, পোটাশ পীবা ঙম্বা হিংকুপ অসিনচিংবা অসিসু শীজিন্নবা য়াই।

থিজিন হুমজিন কয়াদগী খঙলকপা ৱাফমদি হায়রিবা মওং (আই এন এম) অসিদা থাবনা ইচম চম্বা মওংদা হায়বদি রশায়নগী হারখক্তং শীজিন্নদুনা থাবদগী চাথোক অসি চাদা ২২গী চাংদা হেনগৎপা ঙম্মী হায়বসিনি। মসিগা লোয়ননা থমজনীংলিবা ৱাফমদি আই এন এম শীজিন্নবনা লৌফম অদু তুং কোইনা লৈহাও চেনবা মফম ওইদুনা লৌউ পোথোক নিংথিনা পুথোকপা ঙমগনি। লোয়ননা লৌফম অদু তুং কোইনা শীজিন্নবা য়াবা লৈহাও চেনবা লৌফম ওইদুনা হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক য়াইফবা ওইগনি হায়বসিনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়গা লোয়ননা প্রোফেসরশিংনা পাঙথোকখিবা কোবিফুল থাবগী চাংয়েং অমদা ভর্মিকম্পোষ্টকা রশায়নগী হারগা তোঙান তোঙানবা চাংদা য়ান্নরগা থাবা অমদি য়ান্নদনা তোঙান তোঙান হাপ্পুনা থাবা মতমদা রশায়নখক্তমক শীজিন্নবগা রশায়নগী হারগী চাং ফন্না য়াম্না হন্থরগা ভর্মিকম্পোষ্টনা মহুৎ শিনবগা চাথোক্তা পঙখেন খেন্নদবগী মওং থেংনখি। চাথোক্তা খেন্নদ্রবসু লৈবাক লৈহাওগী তুং কোইবগী, লৈবাক লৈশা ফগৎপগী অমদি অকোয়বগী ফীভমগী য়েংলগদি য়ান্নরগা হাপ্পসিনা খুদিংমক্তা কান্নবা হেল্লি হায়বা ৱাফমদা লাক্লবা হোৎনখিবা চাংয়েংনি।

উ মোরোক থাবদসু আই এন এম অদুমক শীজিন্নবা য়াই। ভর্মিকম্পোষ্ট গ্রাম ৩০০ উ মোরোক কাংখুল অমদা হাপ্পা অদুগা অৱাৎপা হারগী শরুক্লা রশায়ন্না মনাদা কাপ্পুনা নৎত্রগা মখোঙদা হাপ্পুনা মেনখৎপা লোয়ননা রশায়নখক্তমক শীজিন্নবগা চাংদম্নদুনা য়েংবসু য়াই।

হায়রিবা মওংসিদা আই এন এম শীজিন্নদুনা পোৎ চৈ থাবগী কাঙলোন অসি পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা থিজিন্দ্রবসু অদুমক মান্নগনি হায়বগী থাজবদি লৈতবা নত্তে।

খঙজিনবা য়াবা অমনা ওর্গানিক হার মখলশিং অসিদা পাম্বীদা মশা ফন্না মপূং ফানা হৌবদা য়াম্না লিক্লা খজিক্তমক চঙবা অদুবু চঙদবদি য়াদবা মচল মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রিবা মচীঞ্জাক কয়া অমা য়াওই হায়বসিনি। ভর্মিকম্পোষ্টতি মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট খক্তা নত্তনা পাম্বীদা কান্নরবা হোর্মোন মখল খরসু য়াওই।

অমরোমদা, অমুক খঙজিনবা য়াবা অমনা আই এন এম পায়খৎপা মতমদা লৈবাক লৈহাওদা শীজিন্নরিবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং অসিবু মচীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নদুনা পাম্বীনা চাবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকপা ঙম্বা কান্নরবা হিংকুপ কয়া নিংথিনা হিংবা ঙমহল্লি হায়বসিনি। পাম্বীদা কান্নবা পীবা অতোপ্পা হিংকুপশিং খুদম ওইনা লায়না কয়াগী মহিকপু ঙাকথোকপা ঙম্বা, নুংশিত্তগী পাম্বীগী মচীঞ্জাক নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা অমদি পাম্বীগী মরানা লাম্বা ফংদবা অরাপ্পা মফমদা লৈবা মচলশিংবু পাম্বীগী মরাগা শম্নহন্দুনা পাম্বীদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপ কয়াগী মশীংসু হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অদু অফবা লৈবাক ওইহল্লি হায়বসিনি। হায়রিবা থৌওং অসিনা তুং কোয়বা লৌউ তৌবদা শোয়দনা মতেং পাংগদৌরিবনি।

আই এন এমগী অতোপ্পা খুদম অমগা য়েংসি। লৌ লোকখ্রবা মতুং অমুক রবি সিজন্দা হায়বদি নিংথম থাগী মতমদা চুজাক্কা লোয়ননা থবি, মাইরেন, হৱাই খোঙনেম্বী ইন্টরক্রোপ্পিং তৌরগা থাদুনা লোক্লবা মতুংদা থারিবা পোৎলমশিংগী লেমহৌখাকশিং অদু লৌবুক্তুমক্তদা খোইজিন্দুনা অমদি মখোয়বু থুনা পথু-পুমথহনবা ঙম্বা হিংকুপ য়াওবা হীদাক শীজিন্নদুনা চহী কয়া লৌ উক্লবা লৌফমদা হৌজিক রশায়নগী হার শীজিন্দ্রবসু য়ারবা, পোথোক নিংথিনা পুথোকপা ঙল্লবা লৌফম কয়া অমা মণিপুরগী মফম কয়াদা থেংনবীগনি। মসিগী অতোপ্পা মমিংসি ক্রোপ রিসিদ্যু মেনেজমেন্ট হায়নসু খঙনৈ। অসুম্না তপ্না তপ্না অশেংবা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবগী লম্বী ওইরবনি।

মরমশিং অসি লৈবনা তুং কোইবা লৌউ অমগীদমক আই এন এম পায়খৎলসি হায়বা ৱাফমসু মরী লৈনবা মীপূম খুদিংমক্কী মফমদা থমজরি। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা) - ১৬৫

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

শঙগাই শঙলেল অমা তোপনা শারে। নোংয়াই খুমল নিংথৌ অতোল পুনসিবগা। লাইরেল মৈদিংঙু অতোল য়োইরেলবগা অনিদি। নোংয়াই খুমল চাদা নাওদা পুনসিনা। অতোল পুনসি নুংসাংনা চাদা নাওদা য়ামনা। হোংনা চাওনা পালমীননরে। মৈদিংঙু লাইরেল অতোম য়োইরেলবগী মতাংসিদি মফমসিদা লৈখিসুনো।

মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবা (ইৱানথাবা)

লাইরেল মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবদি হাওরৈ মাইকৈ নোংচুপ খানা থংবা লম। লমলেল লমদম ইৱাল মৈজারাও কৌবদা। য়াওরৌ শা শাদালঙৈদা। লাইরেল মৈদিংঙু খুৎশু তাখোক মখোকলাং। তীমেল তা মহাককী খুৎপায় তাইরেন তা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -꯱꯶꯶

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯢꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯢ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯁꯉꯒꯥꯢ ꯁꯉꯂꯦꯜ ꯑꯃꯥ ꯇꯣꯞꯅꯥ ꯁꯥꯔꯦ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯢ ꯈꯨꯃꯜ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯇꯣꯜ ꯄꯨꯟꯁꯤꯕꯒꯥ꯫ ꯂꯥꯢꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯑꯇꯣꯜ ꯌꯣꯢꯔꯦꯂꯕꯒꯥ ꯑꯅꯤꯗꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯢ ꯈꯨꯃꯜ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯑꯣꯗꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯥ꯫ ꯑꯇꯣꯜ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯡꯅꯥ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯑꯣꯗꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ꯫ ꯍꯣꯡꯅꯥ ꯆꯥꯑꯣꯅꯥ ꯄꯥꯜꯃꯤꯟꯅꯔꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯢꯔꯦꯜ ꯑꯇꯣꯝ ꯌꯣꯢꯔꯦꯂꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯁꯤꯗꯤ ꯃꯐꯝꯁꯤꯗꯥ ꯂꯩꯈꯤꯁꯨꯅꯣ꯫

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯍꯦꯃꯇꯧ ꯂꯣꯢꯌꯝꯕ (ꯏꯋꯥꯅꯊꯥꯕ)

ꯂꯥꯢꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯍꯦꯃꯇꯧ ꯂꯣꯢꯌꯝꯕꯗꯤ ꯍꯥꯑꯣꯔꯩ ꯃꯥꯢꯀꯩ ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯈꯥꯅꯥ ꯊꯡꯕ ꯂꯝ꯫ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯂꯝꯗꯝ ꯏꯋꯥꯜ ꯃꯩꯖꯥꯔꯥꯑꯣ ꯀꯧꯕꯗꯥ꯫ ꯌꯥꯑꯣꯔꯧ ꯁꯥ ꯁꯥꯗꯥꯜꯂꯉꯩꯗꯥ꯫ ꯂꯥꯢꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯇꯥꯈꯣꯛ ꯃꯈꯣꯛꯂꯥꯡ꯫ ꯇꯤꯃꯦꯜ ꯇꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯈꯨꯠꯄꯥꯢ ꯇꯥꯢꯔꯦꯟ ꯇꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।